# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম অসি য়েংলগা সরকারনা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

২) রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম য়েংলগা স্কুল অমসুং কেলজশিং ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা হয়েং রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২ দা ভোৎ থাদনগনি।

------

ছুতি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম অসি য়েংলগা সরকারনা মীওইবগী পুন্সি অমদি লন থুম ঙাক শেন্নবা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙরাং ইম্ফাল য়াওনা মফম কয়াদা লেন য়াওবা অকনবা নোং চুখিবা অদুনা মরম ওইরগা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা সরকারনা মতেং পাংনবা থৌরাং পায়খৎলি। মহাকা হায়- মীয়ামা য়ুম য়ুমদা চেকশিন্না লৈনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

মরক অসিদা, মণিপুরদা ঙরাং লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবা অমদি

অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকার, এদেদ, লন্নাই অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস) বিভাগকী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসারশিংনা মরী লৈনবশিংদা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। এজেন্সিশিংনা লৌবা পরিক্ষাশিংগী ওইনদি মতম চানা অদুমক চখ্নগনি হায়রি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনসু ঙরাং চুখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মাং তাকখিবগী রিপোর্টশিং মরী লৈনবা এস.দি.ওশিংগী ওফিসতা পীখৎলকবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা মোবাইল নম্বর- **9366390171** দা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা **9856401043** দা, কাংপোকপী জিলাগী ওইনা **8132067577** দা, থৌবাল জিলাগী ওইনা **7042114822** দা অমসুং জিরিবাম জিলাগী ওইনা **7085052630** দা পাউ ফাওরকবা হায়রি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুংইন্না ঙসি অমদি হয়েং মণিপুরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং তাগনি। লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদসু ফিভম অসি মখা তানা লৈখিগনি।

দেদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙরাং নুংথিল ককচিং জিলাগী পোখ্রাপাৎকী ফার্ম চৎপগী লম্বী বজ্র তারকপদগী মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু এলাং খাংপোকপী য়াংদোংদগীনি হায়রি।

রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙরাং লেন, অখাক অরাউ অমদি নোং য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা চাউনা অমাং অতা থোকখি। ক্লে। ঙরাং নুংথিল অখাক অরাউ য়াওনা চুখিবা নোং অদুদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোক্লে, উ-ৱা কয়া তেক্লে। ইংখোলদা হৌবা মনা মশিং, ইন্সাং নাপী কয়া লেন্না ফুদৎখ্রে। য়ুম অমদি য়ুমথক হুমদোকখিবতা নত্তনা

য়ুমথক্তা তারকপা অচৌবা লেনশিংনা ফুদৎপদা য়ুমথক্কী জিঙ্খা কয়া হোরে।

থৌবাল জিলাদসু ঙরাং লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুশিৎ অদুনা অমাং অতা থোকহনবগী পাউ মখা তানা লাক্লি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- জিলা অসিগী শলুংফম, খেকমন, কৈবুং, তেন্থা, শঙ্গাইয়ুম্ফম, মোইজিং, ৱাইথৌ, য়াইরিপোকচিংবা মফমশিংদা চাউনা অমাং অতা থোকখি।

এআর (এল)ঃ ইন্দিয়ান আর্মি অমদি মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং অককবা পাউ অমা ফংবদগী কাংপোকপী অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা থি হুন্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা- নাইন এম.এম করবাইন অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ ৫, কাপ্পা য়ারিবা মরুশিং অমদি লানদা শিজিন্নবা য়াবা পোৎলম কয়া অমসু য়াওরি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবা মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পাৎশোই অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও.সিশিং, তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তম্পাক্কী খুলশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা ৱারী শান্নবগী থৌরম কয়া মখা তানা চখুরি।

কেম্পেন ঃ লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোন্বা ঙরাং লোইশিনখ্রে। রাজনীতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা মাগী মাগী দলশিংগী মীখলগী রেল্লি কয়া পাঙথোকখি অমদি মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবী থাদুনা ভোৎ খোমখি। অহুমসুবা তাঙ্কক অসিগী ওইনা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২ গী লোক সভা কেন্দ্র ৯৩ দা হয়েং ভোৎ থাদনগনি।

উত্তর প্রদেশতা তোঙান তোঙানবা মীরেপশিংনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা ভোৎ খোন্বা অমদি রোদ সোনচিংবা কয়া পাঙথোকখি। বি.জে.পিগী মকোক

থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইতাৱা অমসুং ধাওরারা লোক সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি অমসুং অযোধ্যাদা পাঙথোকপা রোড সো অমদসু শরুক য়াখি। তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেনদসু শরুক য়াখি।

উত্তরাখন্দদসু রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি বি.জে.পি লুচিংবা পুস্কার সিংহ ধামিনা শরুক য়াদুনা বাদায়ুন জিলাদা রোড সো অমা পাঙথোকখি।

কংগ্রেসকী উত্তর প্রদেশকী ইনচার্জ ওইরিবা অভিনাস পান্দেনা কংগ্রেস মীরেপকীদমক পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

সরেন্দর (এল)ঃ ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা ঙরাং মাওইষ্ট ৩৫ খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা শেলগী মনা লাউথোকখ্রবা মরুওইবা মীওই অহুম য়াওরি।

মাওইষ্টশিং অদু ঙরাং দান্তেৱারা রেঞ্জগী দি.আই.জি- কমালোচন কাইসব অমসুং সি.আর.পি.এফ অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংদা চংজরকখিবনি। সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদু লম্বী থিংবা অমসুং নক্সলাইটকা মরী লৈনবা ইরাং কয়া থোকহনবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টকী মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ২৫-২৫ গী ইন্সেন্টিভ পীরগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে। দান্তেৱারা পুলিসনা পায়খৎলকপা লোন বরাতু হায়বা সরেন্দর কেম্পেনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মাওইষ্টি ৭৯৬ সরকারদা চংজরকখ্রে হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা এন.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস.জি.এফ.সিনা য়ু.বি.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

শঙাই ট্রোফি (এল)ঃ মঙাসুবা শঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙরাং শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ফাইনেল মেটচ অদু নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মফম কয়াদা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ অমদি মণিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা স্কুল ওন হ্বিলস হৌদোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- নোংলৈ নুংশিৎ, লেন্না শলাক শাখ্রে, লৈঙাকনা মতেং পীগদৌরিবা হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- অকিবা ফংলবা লেন্না পাক শন্না অমাং অতা থোকখ্রে, মীওই কয়া ময়ুম মকৈ লৈহনদ্রে, লেন্না লম্বী লমজাউশিং কাশ্মীরগা মান্নহনখ্রে, সি.এমনা তেংবাং পীগনি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ফারমাসিশিংদা ফংবা হিদাক কয়া নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা নৌনা শিজিন্নরক্লে, ডাক্তর প্রেসক্রিপসন য়াওদনা হিদাক পীবা থিংবা তঙাইফরক্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফমদসু লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ বেন্নর হেদলাইনগা লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা ১০ শোকখ্রে, বজ্র তাবদা নুপা অমা শিরে হায়না অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর নিউজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর মেল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরে।

লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক লৈঙাকা অহেনবা খোঙথাং লৌখৎপা চুমগনি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম পোকফমগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কুমজা ১৯৮৭ দগী ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী উমংগী শরুক্তা স্কৱার কিলোমিতর ৮৭৭ মাংলে হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী

ব্রাফম অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগীদমক মণিপুরগী গর্ভনরনা স্কুল ওন হুইলস হৌদোকখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর নিডজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- বজ্র তাবদা মীওই অমা শোক্লে, অমা লৈখিদ্রে হায়বা প্যাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবশিংদা সরকারনা মতেং পাংগনি, দি.সিশিংদা পাউ পীবীয়ু হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ব্রাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মীতৈদা লান্দাবা য়াওবা য়ু.কে.এন.এ মশেল হাৎতোকরে, কেম্প কম্মান্দর থাংমিনলেন এলাইজ হন্তর মশাগী গার্দনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা পাক শন্না য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা লোয়ননা মহৈ লোইশঙশিং ছুতি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি। এফ.এম.আর লৌথোকখ্রবসু ঙমখৈ পরিংদা অথিংবা লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌরি। মীতোপশিংনা য়ুম শাজিনখিবদগী বোর্দর পীল্লর ৯৯ মশক থোকা উবা ফংদ্রে হায়বা পাউ এনকর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ১০.৫৭ য়ৌদুনা মকোক্তা লৈরে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম য়েংলগা স্কুলশিং নুমিৎ নিনি ছুতি ওইরগনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ব্রাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগীদমক স্কুল ওন হুইলস ঙরাং গভর্নরনা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------